ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯲, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯲꯲ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, ফেব্রুৱারী ২২, ২০২০, ইম্ফাল

৪৩শুবা চহী, ৩২২শুবা মশীং

# তুরেল অয়াম্বা কা-হেন্না মোৎশিল্লকপা

## মীওইবগী হকচাং শোকহন্দুনা লায়না কয়া পোকহল্লকপা য়ানা লৈরে

বৃটিশ শৈরেং ইবা দল্লিয়ু ঐচ ওদেননা মতম অমদা ইরম্মী “মীওই লিশিং কয়ানা নুংশি পন্থুং য়ৌবা ঙমদনা পূন্সি লেনখি। অদুবু ঙসি ফাওবা মীওই অমত্তনা ঈশিং য়াওদনা হিংবা ঙমখিদ্রি।” মীওইবনা হিংবদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিংগী মনুংদা ঈশিং হায়বসিসু অমনি। মীওই অয়াম্বনা খঙনবু ওইরবসু, খঙদনবু ওইরবসু ঈশিংগী মরমদা থোইদোক্লা থৌশানদে। মীওইবনা ঈরুজ-মায়থজবা, ফিশু-ফিজাম্বা, কোল-লীক ফেঙবা অমদি তোঙান-তোঙানবা হীরমদা শীজিন্নখিবগী অমোৎপা ঈশিং পূন্নমক্লা অকোয়বদা লৈরিবা পাৎ, তুরেল অমদি সমুদ্রগী ঈশিং মোৎহনবদা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা মতেং পাংশিল্লি। মতৌ অসুন্না মালেমগী মফম পূন্নমক্তা ঈশিং মোৎশিল্লকপনা মীওইবগী হকশেলদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরক্লি। অমরোমদা মীওইবনা থক্লবগী অফবা ঈশিং লৈশিল্লক্তবনা খূদোংথিনিংঙাই ওইবা লায়না কয়া পোকহল্লক্লবগী মরম ওইরি। মালেমগী মফম অয়াম্বদা হৌজিক মীওইবনা থক্লরিবা ঈশিংদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা অর্সনিক, কোপ্পর অমসুং লেদ য়াওবগী ৱাফম পূন্নমক্লা খঙনরবনি। মীওইবনা ঈশিং য়াওদ্রবদি হিংবা ঙমদে হায়বা খঙলবসু পাৎ, তুরেল, সমুদ্র অমদি ৱাটর বোদি পূন্নমক মোৎশিল্লকপগী থৌওং মপূং ফানা থিংনবগী মতাংদা মতীক চাবা থৌরাং লৌখৎপা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। নোং চুরকপা মতমদা লৈমায়দগী চুপশিনখিবা ঈশিং পূন্নমক লৈনুংদা তূংদুনা লৈ। মফম খরদা হায়রিবা লৈনুংগী ঈশিং অদু চিংথোক্লগা তোঙান-তোঙানবা হীরমদা শীজিন্নরি। অদুবু মীওইবনা মহয়-মরোং মরাং কায়না পুথোক্লবনি হায়দুনা কা-হেনবা মওংদা শীজিন্নরিবা তীলহাৎ-হীদাক অমদি হারগী শরুক অয়াম্বা লৈনুংদা চঙখ্রগা ঈশিং মোৎশিল্লক্লবগী মরম ওইহল্লক্লি। মালেমগী লৈমায় চাদা ৭০ রোম ঈশিংগী শরুক ঙাক্তনি। ৱর্ল্ড মেপতা য়েংবদা হীগোক ওইনা উরিবা শরুক পূন্নমক পাৎ, তুরেল অমদি সমুদ্রনচিংবা ঈশিংগী শরুক ঙাক্তনি। অদুবু পাৎ, তুরেল অমদি সমুদ্রগী ঈশিং পূন্নমক মোৎশিল্লকপদগী মীওইবনা শীজিন্নবদা খূদোংথিনিংঙাই ওইরে। ইনভাইরনমেন্টেল প্রোটেক্সন এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, পাৎ, তুরেল, সমুদ্রা অমদি খোংগী ঈশিং পূন্নমক মোৎশিল্লকপা মরম্না থকপদি লায়রদনা ঙা ফাবা অমসুং ঈরোয়বদা ফাওবা খূদোংথিনিংঙাই ওইরে। কংফালদা মীওইবনা পায়খৎপা তোঙান-তোঙানবা থৌরাংশিংনা মরম ওইরগা সমুদ্রগী ঈশিং মোৎশিল্লকপনি হায়রি। ফেক্টরি, ইন্দষ্ট্রি, ওইল রিফাইনরি অমসুং ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্টতগী থাদোরকপা ঈশিংগী শরুক খরা লৈনুংদা চুপশিনখ্রগা অয়াম্বা শরুক্তি পাৎ, তুরেল অমসুং সমুদ্রা য়ৌনা চেন্থখি। নুমীৎ খূদিংগী মশীং থীঙমদনা লম্বীদা চেল্লিবা কার অমদি ট্রক্লচিংবা গাড়ীশিংদগী য়ুরকপা থাউ মরীক অমদি কামথোরকপা মৈখূনসু অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎ মোৎহল্লি। ঈশিংদা য়াওরিবা থাউগী শরুক চাদা ১০ রোমদি শিপ্পিং ইন্দষ্ট্রিদগী থাদোরকপনি।

তোঙান-তোঙানবা মখলগী খূৎলায় শাবা, য়ুরেনিয়ম মাইনিং অমসুং ন্যুক্লিয়র পাৱর প্লান্টতগী থাদোরকপা রেদিওএষ্টিভ সবষ্টেন্সনা মীওইবদা খূদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লক্লি। ৱাশিংটনগী হেনফোর্দ ন্যুক্লিয়র ৱেপন্স প্রদক্সন সাইটতগী থাদোরকপা রেদিওএক্টিভ ৱেষ্ট গেলোন মিলিয়ন ৫৬ শেংদোকপদা দোলর বিলিয়ন ১০০ হেন্না চঙবগা লোয়ননা কুমজা ২০৬০ ফাওবা শেংদোকপা লোইরোই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। পূন্নমক অসিনা মরম ওইরগা অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎ নোংমা-নোংমগী মোৎপা হেঞ্জিল্লক্লি। নুমীৎ খূদিংগী মীওইবনা তোঙান-তোঙানবা হীরমদা শীজিন্নরিবা ঈশিং মোৎশিল্লকপনা চহী খূদিংগী মীওই লাখ ২০ লোম শিহল্লি অমসুং মীওই বিলিয়ন ১ রোম হকচাং ঙমহন্দে হায়রি। ইনভাইরনমেন্টেল প্রোটেক্সন এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, মীওইবনা শীজিন্নরিবা ঈশিংদা লেদ, অর্সনিক, মর্ক্যুরি, পেষ্টিসাইদ অমদি নাইট্রেট চাং ৱাংনা য়াওবা থেংনরে। মদুনা মরম ওইরগা হোর্মোনদা অকায়বা থোকহল্লক্লে, ব্রেনগী মথৌ শোয়হল্লক্লে অমসুং তোঙান-তোঙানবা কেন্সর মখল কয়াগী রিস্ক হেনগৎহল্লে। মরম ইচা-চাদনা মীওইবদা উনশা শোকচিল্লকপা, মীৎ নুংঙাইরক্তবা, নিংশা শ্বর হোনবগী মরীদা ইনফেক্সন তৌরকপা অমসুং হেপাটাইটিসনচিংবা লায়না পোকহল্লক্লিবসি ঈশিংদা কেমিকেল মখল কয়ামরুম য়াওরকপননি হায়রি। অমরোমদা, অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াগী তুরেল ৬০ রোম খূদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌনা মোৎশিল্লক্লে হায়রিবসি নুংনাংবা পোক্লিংঙাইনি। সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ (সী পি সী বি)না বাইওকেমিকেল ওক্সিজেন দিমান্দ (বি ও দি) দা য়ূম্ফম ওইরগা অৱাং-নোংপোক লমদমগী তুরেল ৬০ কা-হেন্না ফীভম শোক্লে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়া অপূনবগী ওইনা ফীভম শোক্লবা তুরেল ৩৫১ খন্দোকপদা অৱাং-নোংপোক লমদমগী ৬০ য়াওরকপনি। কা-হেন্না ঈশিং মোৎলে হায়রিবা অৱাং-নোংপোক লমদমগী তুরেল ৬০ অসিদা মণিপুরগী নম্বুল তুরেল অমসুং কোংবা তুরেল য়াওরি। দিল্লিদা লৈবা সেন্টর ফোর সাইন্স এন্দ ইনভাইরনমেন্ট (সী এস ঈ)না থিজিল্লবা মতুংদা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। নিতি আয়োগনা ফোঙলকপা কম্পোজিট ৱাটর মেনেজমেন্ট ইন্দেক্সতসু লৈবাক অসিগী ফ্রেশ ৱাটর চাদা ৭০ রোম কা-হেন্না মোৎপা মরম্না মীওই মিলিয়ন ৬০০ লোম খূদোংথিবা মায়োক্লরকপা য়াই হায়রি। ইন্দিয়াদা মীওই মিলিয়ন কয়ামরুম তুরেলগী মপাল তাংলগা হিংলিবনি। মরম অদুনা পাৎ, তুরেল অমদি খোংগী ঈশিং মোৎশিল্লক্তনবা থৌরাং অমা মতম চানা লৌখৎহৌবা মথৌ তারে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১৪

১। কংলা লাইফমলেনদি ইবুধৌ পাখঙবগী মমাঙদগী লৈরক্লবনি। মাগী মমাঙদা খাবা শলাই নিংথৌশিংনা মফমসিদা পাল্লন্নবনি। মণিপুর হায়বা, নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা শেমগৎলকখিবসু মফম অসিদগীনি।
(ক) ইবুধৌ পাখঙবনা লৈরম্মী থাজনরিবা কংলাগী মফমসি কদায়দনো?
(খ) মণিপুর কৌদুনা নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইরকপসি করম্বা চহীচাদগীনো?

২। “শ্রী নদীয়াবু ঐনা উজখি - পীক্লিবা নাৱাশিংগী মরক্তা য়েন্নীং হুল্লকপা বসন্ত ওইনা... মৈতৈ কাব্য লৈকোলগী তৌদ্রীগা শৈহেকমিন্নবা বাঁশী ওইনা।” ৱাফমসি কবি সঞ্জেনবম নদীয়াবু শক্তাকপা ওইনা কবি অমনা হায়রম্বনি। কবিদু কনানো?

৩। “নুপীগী ওইনদি কোক তাঙবগী শরুক অমরোমদা খৌরি ফিনা য়োমশিনবসিনা খজিক্তং হেন্না ফৈ।” ৱাফমসিনা আই বসন্তনা মাগী ৱারীমচা ‘খদাং কোই’ হায়বা অদুদা হায়রিবনি। মাগী ৱারীমচাগী লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৪। “ইহাকথক/মালেম নঙ/ওইরি/দুসাসন্না ফি চিংলিবী দ্রৌপদী/ইচা হাক্তক/কৃষ্ণগী ফি লোইখিদুনা/লেপ্পরগনি য়েংহৈদবা শক্তমদা।” ৱাফম অসিনা অইবী হাওবীজম প্রেমানা শৈরেং অমদা হায়রিবনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। “চৎথোকউনে নুংশিদেনে/লাকপীনু পামজদেনে খোইমু/কুচুদা মুদে থম্মোয়সু য়াওই।” পরেং অহুম অসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৯, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# য়াওশঙনা চেনশিল্লকপদা

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



অঙাং ওইবা য়াম তল্লকখি। পাখঙ ফানীংলকই। পাখঙ ময়াম লৈশাবী ময়াম্না অবের তৈনবা উবদা অঙাং সুম ওইদুনা লৈবা পামখিদে, অবের তৈবা য়াওনীংবনা মরম ওইদুনা পাখঙ ওইবা ঙন্তানা পামখি। থাবল চোংবা, অবের তৈবা, ৱা হূরানবা, য়োংচাক হূরানবা, হৱাই থরাক, হৱাই মুবী হূরানবা, শেল নিবা, শেল থৎপা, হোলি পালা চৎপা নুংঙাইবগী নুংঙাইবা ঙাক্তনি য়াওশঙ। য়াওশঙদা নুংঙাইতবা অমত্তা লৈতে অঙাংগীসু, অহলগীসু, হনুবীগীসু, হনুবগীসু, লৈশাবীগীসু, পাখঙগীসু নুংঙাইবা লৌবা নুংঙাইবা তাইবঙ মীনা শেমখিবা কুম্মৈ অমনি। য়াওশঙবু তাইবঙ মীনা শেমখিবা নুংঙাইরবা কুম্মৈ অমা নত্তে হায়বা কনানসু ঙম্মোই। অঙ্গীং-অশা লোন্নগে-লোন্নগে তৌরকপা, অঙ্গীংববু বিদাই তৌরল্লগা অশাববু তরাম্না ওক্লে হায়না খুনীং কাংখৎতুনা লৈনরকপা কোরৌ নুমিৎ খরনিগী ৱাফমনি, য়েনীংথাগী। ফজবদা মীৎতা, নাকোংদা, থম্মোয়দা, পূক্লিংদা, ৱাখলদা য়ৈরকপা। হৈনৌ অমদি হৈখা মপালগী ফজবনা নুংঙোলহনবা। ফজবগা ফজবীগা, নুংওনবগা নুংওনবীগা হেঙো হেঙো তৌজনীংবা মতমগী ইকায় নাইদবা খেনফমনি।

নৌখ্রবী নুজাগী খুদাং পূন্থুম তাবদা পাখঙগী মোল্লবা খূৎশানা য়োমশিল্লগা মীয়াম মাঙদা থাবল চোংমিন্নরগা লম্বা শাদুনা ইকায় নাইদনা লেন্নজনীংবা নুংঙোল থা। হৈখা মপালদা, হৈনৌ মপালদা হয়িংখোইশিংনা ইকায় নাইদনা চোংশিন চোংশিন চূপচবা থা। য়ূমথোঙ য়ূমথোঙদা ইকায় নাইনদনা শেল নিবা চঙবা থা, ইকায় নাইদনা লৈশাবীশিংনা শেল থত্তুনা থাবলগী শেল নিন থা। ফজখ্রবী চুং ফিরাল চাখ্রবী লৈশাবীশিং অদুনা থোৎ নৌরবী কোকিলগী পঞ্চম শুরদা মাগী খোঞ্জেলদা শেল নিরকপদা শেল শত্তবা ঙম্বা থৌনা ফবা পাথৌ কনানো হায়বিরকউ। ইকায়গদবা মানা ইকায়দ্রগা ইকায়রোইদবা অউবা মানা ইকায়জবা থা। ইকায়বা পূম্বা লোইনা থাদোক্লবা, তাইবঙগী খুন্নাইগী অফা অপূন অমুক্তং চহীগী ওইনা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা কোমথোক্লম্বা থা ওইনা হেক তৌরদনা কয়াদা নুংঙাইবা ওইহল্লন্নিবা। শকখঙনদ্রবী নুজা কনাগী খূদাংদা থম্মোয় মতা য়েনীং চোংনা নৌ নৌ লাউরবা পাখঙ মানা তাপ লাউনা পায়জবদা খংপ্রেক খংনদ্রবা থানি। অতৈ মতমদদি

মোব লিনচিং ওইবা য়ারিবা!

য়াওশঙগী মচু হোংলকই। অবের তৈবা উরক্তবা কুইরে। ইরমদমগী ওইবা লৈখোম তৈনবগী মতৌসু উখিদরে - হৌজিক্তি শান্ন-খোৎনবনা য়াওশঙ ওইরকই। য়াওশঙ হায়রগা শান্ন-কুম্মৈ অসিনা মপূং ওইনা তৌনরে। নুমিদাংগী মতমগীনা থাবল চোংবা, থাবল অসিদি য়াওশঙগা মরী অমুক লৈনরক্তরে। য়াওশঙ মমাঙদগী থাবল চোংনবা অদুগা য়াওশঙ মতুং ফাওবা মমৈ চোন্থরকপা য়াম্না লৈনরে, চৈরাওবা, চীঙ্গোই বারুনি মতম ফাওবা। মসিদসু নত্তনা খজিক্তংবু ৱাখল নুংঙাইরবা থাবল হেক্তা চোংনরে।

মহৌশা য়াওশঙগী মতমদা ঙাইহাক নাকথেংলম্বদু হৌজিক্তি চহী চূপ্পা নাকথেংবা চৎনরক্লে। নাকথেংবগী নাকথেংবা ঙাক্তা ঙায়রক্লে। নাকথেংবা য়াম্মন্দনা লৈবাক অসে অৱাবা ওইরক্লে। য়াওশঙগী মতমদা হূরানবদা ইকায়নরমদবা অদু হৌজিক্তি য়াওশঙ লোইরবসু ইকায়নদ্রে। লৈবাক্কী শেল চারুদুনা ফারবা, মশক খঙলবা পাউচেদা য়াওদুনা মমিং চৎলবা মী অদু হৌজিক্তি মীখলগী মীরেপ ওইনরে, কাবসু য়াওনরে, চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট, ৱাঙাঙলোই ওইনা মীয়াম মমাঙদা থোরকপদা মীয়াম্নসু অদুম ইকায়খুম্না য়াবিরে অদুগা মশামক্লসু মমায় মচেৎ অমফাওবা ঙাঙনদ্রে। চহী চূপ্পা ফজনা য়াওশঙগী মচু শঙলে। হূরানবগী মচুনা ঙাংশঙ ঙাঙলে। চহী চূপ্পা নুজা পাখংগী মরী পূমকোম কোল্লে য়াওশঙ মতমদা ঙাইহাক কোল্লম্বদু। হৌজিক্তি মীৎ নাবা হেনগৎলে, নুমিৎ খুদিং খূদাং পায়নবাইদু থোক্লে অদুনা নুপীজা কয়া ফোন্দা কৌথোক কৌথোক্লগা মীহাৎ থীনা হাৎপা উরক্লে।

য়াওশঙ শিরক্লে। থাবলদি হিংহৌরি। নাকথেংবা হিংহৌরি। হিংহৌগনি অনী অসিমদি। মতম কুইনা হিংহৌখিনি। নুংঙাইবা ঙাক্তা খল্লগা। মীওইবনা পান্বদি নুংঙাইবনি। অরেম্বা পান্বনি। লাঙবনি। নুংঙাইথোকপনি। মাঙহনবনি। শেল মাঙহনবনি। গাড়ী য়াঙনা থৌবনি। অফাও শাবনি। অকনবা শাবনি। তুংগী খন্দবনি। লমচৎ নাইবা য়াওশঙ ওইহন্নীংঙে। মরক মরক্তা অফবা ৱাখলগাসু খল্লকই। ●

# অপঙবা তাহৌরবদা করি খল্লি

**নবকুমার ওইনা**

য়ূমথংনবসি খঙদে হায়রুবনি, হংলিবা মীদুগদি য়াম্না মুন্না খঙনবা জাৎনি। খুদোম্বী থিল্লগা নোকফেৎ নোকফেৎ তৌনরগা ঙাঙনখিবদু তাবা ফংহৌবদি নত্তে। মথংদা লাকপদদি হংলকখিদ্রে, য়েংলকপদি লেপ্তে। য়ূমথংনবা খঙদবসিবু ঐবু কয়া য়াম্না শিংবা ওইগদৌরিবনো? মহাক হল্লকপা খুদিং নীংশিংদুনা লৈরে, খঙলে হায়রসিরা?

লমদমসিদা য়ূমথংনরিবা কাঙলূপশিংসি অমনা অমা খঙনবা য়াম্না ৱাৎনৈ, খঙনবদি কন্না হোৎনরবনি। খঙদবদু শাওবা য়াব্রাও। ৱারীদা লিদবা, লাইরিক্তা তমদবগীনি, শাওনরগা খঙলক্কদৌবসু নত্তে। খঙনবা হোৎনবদু ইথৌনি, খঙদ্রগা শাওবা হায়বসিবু চুমগদ্রনে? নাপল চাওজরুবগী অপঙবা তারকপদুনি। য়ূম্নাক শাগৈশিংসি লাইনা পীবা নত্তে, মীনা পীবা ঙাক্তনি। লাইগীদমক শাগৈ মনুংদা খৎনবা ঙম্নরক্লি। লাইদুনা আ-অরাপ্পদগী লৌশিল্লুরে, ইশাগী অমা আ-অরাপ্পা ফাওবা শন্দোকপদি ঙমহৌদ্রে। মসিসু খন্থ-খন্থরগা ইকায়বা ফাওরক্লি। লমদমসিদা অনৌবা লাইনীং পুশিল্লক্লগা লেম্বা, অশিংবা ওইনা লৌরুরে।

জাৎ ৱাংই হায়না খল্লুবসিসু জাৎ-জাৎনি। য়ূম্নাক য়েংলগদি মীনৌনি হায়বগুম্বনি। মী লৈরমদবা চীংলকসিদা হানবা তান্নবগী ৱাসু মাল্লি, ঙম্বা তান্নবগী ৱাসু মাল্লি। মদু নীংশিংনরগা খৎনখিগে হায়ব্রা? মদু পুন্নমক দেমোক্রেসি মমাঙগী ৱানি, ৱাখল খনবদা দেমোক্রেটিক ওইবা ঙম্নদ্রি। খরা কোন্না লাকপা অনীকাক শাওনবদদি হান্না লৈরম্বা খরদু উৎ-ৱায়দৌনা খনবসু মাল্লি। শম্নবা য়াদেকাক হায়রিবনি। মদু হায়রুবদুনা হেন্না ইকায়খ্রে। আদগী ৱাখলদু পুশিল্লক্লগা মাগী মচিন-মনাও, মাস্মশিংগা খৎনবা য়াওরুরে। মাস্মশিং উরুদ্রে, ইকায়বতা নত্তে অপঙবা তাহৌরে। ইপুশিংনা য়ূম্নাক লৌখ্রবনি, চংজফম লৌখ্রবনি, লমদমসিগী মী ওইখ্রবনি। ইশানা মফম অসিদা লৈরগা, ৱাখলদনা আদা লৈহৌবশিং শারগা য়েৎনরিবসি মুন্না খন্থরগা ইকায়নিংঙাইনি, মীগী মাঙ্গোন্দা চংশিল্লগা মী অনীনা খৎনবগুম্বনি, য়ূম্বুদুনা করি খনফম থোকই। নৎত্রগা নিংঙোল মানা ফম্মেন্দা কারগা ‘ইকুবোকসু নমাক্কী শাগৈদা তিনবীরো’ হায়বা য়ানগদ্রা? মী খোল্লগা ইংখোলদু পাট্টা ওন্নবা হোৎনবদা মমানা করিসু হায়রোইদ্রা, ইৱা-ইপুরোইবনা চুম্মী খন্নগদ্রা? য়াওং ইনবনি খল্লিবমখৈ ৱাখল পরিং তাখিরোইদৌরিবনি। মালেমসি পূন্না খল্লো য়ূম্নাকসি এদ্রেস খঙননবনি, ঈগী মচু খায়দোক্লবা নত্তে। ‘হৌজিক ফাওবা ঈগী মচু, উনশাগী মচু ওইনা ঙাঙনদুনা লৈনরিবা হায়বসি ৱাখল খন্থনদ্রি হায়বগুম্বনি। ইপা-ইপুগী ৱারী খঙনবা হোৎনবা নত্তে, তোঙান চানবা হোৎনদুনা লৈবগুম্বনি। হৌজিক্তি লমগী মপু লৈঙাক্লা ওইখ্রে, ৱাখলদা হোংবা ঙমদবসি ৱাঙাঙদসু খঙগনি। অদুম্না ঙাঙনবা হায়বসি পঙলিবনি হায়না লাউদুনা শান্নবগুম্বনি। য়েৎনখা ৱাংমা ৱাংমা লেপ্পরগা চংবীরক্কনু হায়না অঙাং ওইরিঙৈদা খৎনবা নীংশিংলকই, অহলশিংসু লৌ-ইঙ্খোলগী অদুম খৎনবা উরকই। ষ্টেটনা মপু ওইখ্রে হায়বা খন্নদ্রি।

লোন অমা ঙাঙলি, ইশাগী ইমালোন ওইরবনি। লোন অসিদা ইকায়খুম্নবা উৎলিবা হায়বদুরা অরাপ্পা লমগী মী ওইনা অদুম উহন্নীংলিব্রা, অরাপ্পা লাইনীং অমগী মীনি হায়নীংলিবা করিগী ওইগদৌরি। ঈগী মচু য়েংগে হায়ব্রা, ইমা মরীদি ঈ নত্তে হায়গে হায়ব্রা? ফুরুপকী মমিং পংহোংদা হোংনরিবগী মরম করিগী ওইফম থোকই। খৎননবা ফুরুপকী মপাঙ্গল শাগৎনবদু কাউবা ঙম্নদবগীনি। খঙগদৌবনা মদু নত্তে, ফুরুপকী মমিংশিংসি হোংদোক-হোংজিন তৌবা ইশানা য়াই, হোংবসু য়াই, ঈগী মচুগী মমিং নত্তে হায়বনি। হোংনরিবা ফুরুপকী মীংদা মী হাৎনগনি খল্লিবসি পঙবগী নত্তবা করম্বা মরম অমা লৈগনি। য়ূমথংনবসে মীতোপ্পা য়োমশিনখ্রে, থংনরিবা নঙনা করি তৌগনি হায়বদি খঙদ্রগা শাওজিল্লিবা করিগীনো? “ঐ পঙহৌরে” নচিন্দুনা অমুক্তা হায়উ খাম্বা য়াওদ্রবসু পেনগে। খুন-লৈকায়সি শাগৎপদা মহাক্লা লৌখিবা থৌদাং, মী অমা ওইবগী তাঙলবা থৱায় কয়া থামিন্নখিবনি। মহাক্লা পঙলবসু পঙনা, লাল্লবসু লান্না, ৱানা হোৎনখিবগী মহয়না খুন অমা ওইনা পাল্লম্বা ঙল্লিবনি। হৈবা ৱাৎলি, হৈতে হায়না শাওশিল্লগা অশিংবা ওইরক্লবনি হায়গে হায়রিব্রা? মহাক্কী অৱাবসু খঙফম থোক্তবরা? নঙগুম্না মহাকসু ফুরুপকী মমিং পংহোংদা হোংলে, অহুম-মরিবু কৌরে, করম্বা কৌরিবনো ঙসিফাও লৈখায় তাদ্রি। নখোয়দা খৎনবা হৌরিবশিংদু মাগীসু য়েক্লবনি, মাগী মমিংদু মুথৎপিখ্রবনি। মাগী অৱাবদু খঙবীবগী মহুত্তা শাওশিল্লিবনা করিগী। নখোয়নি পুল্লগা খুনসি কন্নবা হোৎনগেদি হায়দ্রগা খুন অমগা পুনখ্রগে হায়বসি করি মীরোল কৌগনি। মহাকসু নখোয়গী ফুরুপ অদুগী থাক্তা মান্ননা লৈজরগে হায়বা ফাওবা থিংবীরে। থাগৎলগা তিকি পীজদুনা লৈরে। ফরেনে মহাক মুৎলসনু, মথংদদি নঙসু মুৎকনি। লাইশু ৱায়বা, চোঙশু ৱায়বা মুৎলোইদবগী মরম লৈব্রা? নচা-নশুশিংনা করি হায়গনি খল্লব্রা? নায়রিংজেল অমনা, ‘মানা শিনবদা শোয়রিবনি’ হায়বসি মপু ওইবগী ৱাঙাঙ নত্তে, ওইরোই। কাংখদগী মাঙখিবা খুজাই কায়খিবা হায়বসি মপু নত্তে খল্লুবগী শন্নিং হনবা ঙমদনা মাঙখিগদৌরিবনি। মপু ওইবসিসু হৈবা অমা চংই, ৱা পংঙাঙ ঙাঙবনা য়াগদৌবা নত্তে। মপু শাবা য়ানবা ঙাঙনরিবশিংনা মথক থংবা য়ানবা ঙাঙলিবমখৈ মপু নত্তে হায়বা খঙখিগনি। হৌজিক্তি মপু অশেংবা ওইরো পুনবা য়ানবা ৱা ঙাঙবা ঙল্লো, তল্লো। তৌগদৌবা থৌরম য়াৎলো, খেৎঙাঙনদি য়াররোই। মুক্লরিবমখৈ পূনবা য়ারোই, খুভম থাদোক্লরো, নচা-ননাওদা থৌদা শিন্নরো, নপোক হৌরবা, নয়া য়াওদ্রফাও ফম কোন্দুনা লৈনীংবগী ৱাখল থাদোক্লো, অরাংফম ওইশিন্নরগা পোৎয়োম চাউনা পুবা ইকায়বা খঙলো। নচা ননাওশিংদসু থাজবা থল্লো, পূনবা য়ারগনি। মিংচৎ মুন্নবা তোক্লো, মীংচৎ মুন্নবা থাদোক্লরো, মীংচৎ হায়বসিবু কয়া কুইনা চৎপগে। এরোপ্লেন তোংবা খুদিং এরোপ্লেন শাখিবা মীগী মমিং হংলুবা ঙম্নদে। লাইগী মমিং কাউরো, শাজত্তু ওইনা লৌরো, লাই শাবা তোক্লো। পূনবা য়ানদ্রিবসি শাজৎ অমননি হায়বা খঙলো। লৈবাক অমগী মপু হায়বসি কনাগুম্বা মীওই অমখক্লা ওইবা য়াবা নত্তে, মপু ওইবা হৈতবশিংগী লৈবাক অমা লৈবা হায়বসিমক ওইথোক্তবা হায়বদু অমনি।

থবক তৌবিনবা মী লৈত্রে হায়বদি য়াদ্রে, মীয়াম অমা লৈবা মাল্লবনি। অদুগা লৈবাক অমদুনা পোলারগী উনগুম নুংশাদা খাঙবা ঙমদনা নোংম-নোংমগী তুম্বা হেঞ্জিল্লক্লি। অহৈবা অখঙবা ময়াম্না লাউরি, নোংম-নোংমগী পিকশিল্লক্লি, করিদা নুংঙাইবা ফাওজরিবনো? মীওই খরদি নুংঙাইবা পোকপা মাল্লক্লি। মখোয়গী অরোনবা, অপঙবা খরনা খঙলরোই খনবসু ওইগনি। অখঙবশিংদুনা শেল খরা ফংলবদি মশাগী নাট, মশাগী লাইনীং য়োল্লগা চাবা ঙম্ববু মানশিল্লক্লি। মীগী লাম্মী ওইনা ঙাঙবা ঙম্বা মশীং খঙদনা লৈশিল্লক্লে। লাইনিংথৌবু শৈতাননি হায়বা ঙম্বশিং মমায় অমা লৈরে। ঈ শেংদবগীরা, পঙবগীরা, পুকচেল চাউবগীরা ঙসি ফাওবদি মী হাৎনবা তাখিদ্রি। য়ূম্বু লৈতবগী ওইরগনা কমদৌবা? অসিগুম্বা লমদম অমা লৈরে হায়বসিফাওবা রেকোর্দ তৌবদি লৈত্রিবা ওইগনি। গঞ্জা থক্লগা লাফু থাবগুম লৈরি হায়রিবা কাঙলূপ অদুমক খোঙপাক্লা নেৎলগা মুথৎখিবগা মান্নগনি খল্লি। শমজিন্নবা য়াদবা উককশিংনা করম্বা য়ূম শাবা য়াওখ্রবগে? মীনা উকক ওল্লকপা ঙাইগদ্রা? লোক্তাক্তা উকক্লা লাই ওনবগী ৱারীদি লৈরে। পুক্তা উকক ফুম্বগুম কনখৎলগা লাই ওক্লবনি খল্লগা শিখিবা কয়া য়াওখ্রে। লৈবাক্কী খোয়দৌ ওইরিবা লৈঙাক্তা উকক ফুম্বগুম্না খঙনা খঙনা কনবা তান্নরি। কনবা হেনগৎপা খুদিং শিবগা নক্লবা হেনগৎলক্লিবনি হায়না লৌবসু য়ারবনি। খোয়দৌগা কোক্কা শম্নদবসু মাল্লি, মীয়ামগা লৈঙাক্কা শম্নবা ঙমদ্রিবসিনি। অমনা শম্নবা ঙল্লে হায়গনি, মীয়ামগী নুমিৎ হায়রিবসি শম্নদবদুগীনি, শম্নরবদি হায়নরোইদ্রবনি। অমনা এন্তাগোনিজম শাগৎতুনা লৈগনি, লোত্তুনা লৈবসু য়াওগনি, এসেমব্লিদসু য়াওগনি। মান্নদবা লাইশিংগী নক্লরবা লাইশঙশিংদসু য়ানদবগী লাওনবা হৌরবনি। হান্না লৈরম্বা লাইশিংদুফাও কোন্না লাকপা লাইশিংনা উশিৎপিদে হায়বনি। মপু ওইবা তান্নরিব্রা, মপু ওইখ্রবরা, য়ূম্বু লৈত্রবরা, করি মওংনি হায়রগবু চানগদৌরি। লাইগী মওংশিংসি য়েংলগসু পঙনুংদা নুংঙাইবা য়াবা হায়বদুনি। পঙখুদা খুরুম্বদি হৈবা, লাইদা শেল কৎপদি তোক্তবশিংনা তৌরিবসি মায়থীবা ফুরুপ ওইরিব্রা, মায় পাল্লবনি হায়রিব্রা, পঙয়াওদা য়াওবনি হায়রিব্রা, খঙবগীদি মান্দ্রে।

হীরম খুদিংদা য়েংবা য়াই, নাটতা য়েংগেরা, শান্নবদা য়েংগেরা, করম্বদা মচু তারবনি হায়বা লৈরবগে? ৱাথোক কয়া থোকখ্রে, হন্থনা য়েংলিবনি হায়বদি খঙনরে। করি খল্লি, করি তৌবা তারি। হৌনবনি অদুম খন্দুনা লৈনবা তারিব্রা? করি তৌরি, মদুদা পেন্থোক্তুনা লৈখিবা তাবরা? লাইরিক তম্মী কদায়, লৈঙাক পায়রে কদায়, কদায়দা অঙ্গীংবা অতপ্পা উবা ফংলবগে? ভোট থাদবা ফাওবা হৈত্রি, শেলনা লৈবা য়ারি। লাইনীং ফাওবা শেলনা পুবা মায়কৈদা পুবা য়ারক্লি।

পরিক্ষানা ৱাখল লৌশিংগী থাক ওনবা ঙম্লক্তরে। নুপীনা খুন্নাইগী থাক খঙবা ঙম্লক্তরে। লম্বী, থোংনা লৈঙাক অমগী থাক খঙবা ঙমগনি হায়বা লৈত্রে, মীপূম খুদিং অফবা শাবগী ৱাঙাঙদা লৈরে হায়রগনি। পুন্সিবু করম্না তৌশিন্নবা য়াবগে, তৌশিন্নদববু য়াওশিল্লক্তরে, কনাবু থাজবা ঙম্নগদৌরি। থাজনদবসি পঙবগী নত্তে হায়গে হায়ব্রা? লৌশিনবদা শিংববু লৌশিং হায়বনি।

লাইরিক তম্বসি লাইগী লিক খঙবা ঙম্নবনি। লাইগী নিংথৌ লাৎপশিংনা পঙলবদি মীনদি লায়না খঙগনি। তৌশিন্নবনা মানবা ঙম্বা হৌনদে। করিনো অমা খন্নবা ৱারেপকুম্না উরি। খঙদ্রবদি পঙবা তাগদৌরিব্রা। ●